সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, MARCH 01, 2018 PAGE 7

SINGH
LONDON 2017

মেক্সিকো ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মশাগী অশোকপা অমা লৈখিবদগী শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবা মমাঙদা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্রবা স্পেন মচা রাফেল নদাল

কম্মনৱেল্থ গেমসকী মেডল আশা থমখিবা কম্পিটিসন শরুক য়াদ্রিঙৈ মমাঙদা চথখিবা দোপিং টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবদগী চহী ৪ গী অথিংবা থমখ্রবা ইন্দিয়াগী জেবলিন এথলিট দাবিন্দর সিংহ কাং

কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিং টিমদা এমসি মেরি কোম অমসুং লাইশ্রম সরিতা দেবী শরুক য়াগদৌরি

কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপীগী বোক্সর খনগৎপদা য়াওখ্রবা মণিপুরগী মেরি কোম (ওই) অমদি সরিতা দেবী

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ৪ দগী হৌরগা এপ্রিল ১৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমস শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্টকী নুপীগী বোক্সিং কাঙলুপ্তা এমসি মেরি কোম অমসুং লাইশ্রম সরিতা দেবী য়াওখ্রে।

নুপীগী বোক্সিংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল ৫ রক ফংবা ঙমখ্রবী অমদি হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসু ওইরিবী এমসি মেরি কোম হন্দক্তা বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা পাঙথোকপা ৬৯শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা সিলভর মেডল ফংলগা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সরশিং মমিং লাওথোকপদা য়াওখিবনি।

সোফিয়াগী ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী বোক্সর মমাঙদা প্রোফেসনেল বোক্সিংগী লমদসু খোঙদারুরবী লাইশ্রম সরিতা দেবী সেমি ফাইনেলদা মায়থিরগা ব্রোঞ্জ ফংলগসু ইন্দিয়াগী কম্মনৱেল্থ গেমসকী বোক্সিংগী নুপীগী টিম শেম্বদা মহাকসু য়াওখি।

নুপীগী বোক্সিংগী কাঙলুপ্তা মেরি কোম্না কেজি ৪৮ কেটেগোরিদা শান্নগদৌরিবনি। লাইশ্রম সরিতা দেবীনা কেজি ৬০ দা শরুক য়াগনি। অদুগা কেজি ৬৯ গী কাঙলুপ্তা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর লোৱ্লিনা বোরগোহিনসু শান্নবা য়াওগদৌরি।

নুপীগী কেজি ৫১ গী কাঙলুপকী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সরশিং অদুগী মমিং মখা তানা ইন্দিয়াগী বোক্সিং ফেদরেসনননা ট্রাইয়েল সেসন অমা পাঙথোক্লগা অথুবা মতমদা খঙহল্লক্কদৌরি।

এপ্রিল ৪ দগী হৌরগা ১৫ ফাওবা চত্থগদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপাগী বোক্সিংগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী ওইনা ৱেথ কেটেগোরি ৬ তা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিংগী মমিং লাওথোকখি।

কেজি ৪৯ দা অমিত পনঘাল, কেজি ৫৬ তা মোহমদ হুসামুদ্দিন, কেজি ৬০ দা মনিস কোশিক, কেজি ৬৯ দা মনোজ কুমার, কেজি ৭৫ দা ভিকাস কৃষন অমদি কেজি ৯১ মথক্তা সতিস কুমারগী মমিং য়াওরি। নুপাগী বোক্সরশিংগী ওইনা খনগৎলবা বোক্সর ৬ কী মখা তারকপদা কেজি ৫২ অমসুং কেজি ৯১ গী ওইনা সেলেক্সন ট্রাইয়েল মখা তানা পাঙথোক্কদৌরি।

কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা গৌরব সোলানকি অমসুং সলমান সৈখ অনীগী মনুংদা অমা কম্মনৱেল্থ গেমসকীদমক খনগদৌরিবনি। অমরোমদা কেজি ৯১ গী কাঙলুপ্তা সুমিত সাংৱান অমসুং নমন তনৱার অনীগী মরক্তা গোল্ড কোষ্ট সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপাগী বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্নবগীদমক ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্কদৌরি।

নুপীগী ৱার্ল্ড বোক্সিংদা সিলভর মেডল ফংখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবী সর্জুবালা দেবীনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা শরুক য়ানবগীদমক মখা তানা ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা ইন্দিয়াগী বোক্সিং ফেদরেসননা পাঙথোক্কদৌরি।

মরক অসিদা চহী অসিগী মার্চ ২ দগী কজাখষ্টানদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীগী বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা ফজবা ঙল্লবদি মহাক কম্মনৱেল্থ গেমস অদুগীদমক ক্কালিফাই ওইগনি হায়না ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়রি।

দুবাই ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ফ্রান্সকী শান্নরোই লুকাস পোলি অমসুং স্পেনগী বোটিষ্টা আগুত ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

দুবাই ওপন টেন্নিসকী ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ফ্রান্সকী লুকাস পোলি (ওই) অমদি স্পেনগী বোটিষ্টা আগুত

দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ

দুবাইদা পাঙথোকপা নুপাগী এটিপি টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ফ্রান্সকী শান্নরোই লুকাস পোলি অমসুং স্পেনগী বোটিষ্টা আগুত ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ফ্রান্সকী পোলিনা রুশিয়াগী কে খাচানোভপু অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরগা ক্কার্টর ফাইনেল অদু য়ৌরকপনি।

মহাক্না ক্কার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শানরোই অদু জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৬(৭–৪), ৬–৪ দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী ৱাই সুগিতানি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুতনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী শান্নরোই পি ঐচ হৰ্বর্তপু সেট অহুম চঙনা শান্নরগা মায় পাকখি।

অহানবা সেট বোটিষ্টানা হৰ্বর্তপু ৬–৪ দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুদা ফ্রান্সকী শান্নরোই হৰ্বর্তনা ফজরকপগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরগা ৭–৬(৭–২) দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নবদগী দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শান্নখি।

অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী দিসাইদিং সেট অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী অহুমশুবা সিদেদ বোটিষ্টানা য়াম্না কোম্না ফ্রান্সকী হৰ্বর্তগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইরগা ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

বোটিষ্টানা ক্কার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই বি পাইরিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্বা ক্রোএসিয়াগী বি কোরিকনি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দি ঝুমহুরবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–১, ৬–১ দা থোইখিবা রুশিয়াগী ই দোনস্কোইনি। দোনস্কোইনা ক্কার্টর ফাইনেলদা সাইপ্রসকী মার্কস বাগদাটিস অমসুং স্লোভেনিয়াগী ক্রাজিননোভিসকী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী টেন্নিসকী মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা মেক্সিকো ওপনগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা এটিপি টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায় পাক্কুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবা মরুওইবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী এন্দ্র জ্বেরেভ, ওষ্ট্রিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা দোমিনিক থিয়েম, ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন অমদি ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোনি।

জ্বেরেভনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী শান্নরোই এম মেকদোনাল্ডবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৭–৫ তা মায়থিবা পীখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী গোমেজবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্বা জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই পি গোজেৱিককা থেংনরগনি।

দোমিনিক থিয়েমনা ইংলেন্দগী শান্নরোই সি নোমীবু ৬–৩, ৫–৭, ৭–৫ দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দদা জপানগী কে নিসিকোরিবু ৬–৭(২–৭), ৬–৩, ৬–১ দা থোইরম্বা কানাদাগী শান্নরোই দি স্নাভ পোভারোভকা শান্নরগনি।

সাউথ অফ্রিকাগী এন্দরসননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মোলদোভাগী আই এবোর্টপু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা লুথুৱানিয়াগী আর বরাংকাবু ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী এ মনারিনোগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা দেল পোত্রোনা মহাক্কী অহানবা ররাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী এম জ্বেরেভপু য়াম্না কোম্না ৬–১, ৬–৩ দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখিবনি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌগদৌরিবা অতোপ্পা শান্নরোই অদু রুশিয়াগী এ রুব্লেভপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বা স্পেনগী দেবিদ ফেদররনি।

মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবা শান্নরোইশিংগী মরক্তা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ য়াওরি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোই টি দানিএলবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইখি।

অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্না কজাখষ্টানগী এ বুব্লিকপু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী টি কোকিনাকিয়াগা শান্নগদৌরি।

য়ুএসএগী জে দোনাল্ডসন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম এবদেননা অনীশুবা রাউন্দ থেংনগদৌরি। দোনাল্ডসননা জিওরজিয়াগী এন বাসিলাসভিলিবু ৬–২, ৩–২(রিতায়ার্দ) তা থোইখি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী এবদেননা য়ুএসএগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই সাম ক্বেরিবু ৬–৩, ১–৬, ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীখি।

সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই ঐচ চুংনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী শান্নরোই এস্কোবেদোগা থেংনগদৌরি। চুংনা অহানবা রাউন্দদা য়ুএসকী অতোপ্পা শান্নরোই দি য়ংবু থোইরমখি। অদুগা এস্কোবেদোনা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই জে সোকপু মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা রুশিয়াগী মথক্তা দ্রগ শিজিন্নবগী অথিংবা থম্লম্বা অদু কোমথোকখ্রে

মোস্কো, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ

মালেমগী শান্নবগী লমদা অচৌবা মেডল ফংবা ঙম্বা শান্নরোই পুথোক্লিবা লৈবাক অমা ওইরিবা রুশিয়াদা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা লৈবাক অদুগী শান্নরোইশিংনা তোঙান–তোঙানবা ইভেন্টশিংদা পার্ফোমেন্স ফজনবগীদমক দ্রগ শিজিন্নৈ হায়বগী মরালনা লৈবাক অদুগী এথলিট খুদিংমক ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবদা থম্লম্বা অথিংবা অদু কোমথোককখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা রুশিয়াগী মথক্তা থম্লম্বা অথিংবা অদু কোমথোকখ্রে হায়না রুশিয়ান ওলিম্পিক কমিতিগী লুচিংবা আলেকজেন্দর ঝুকোভনা ফোঙদোকখিবনি।

থা অসিগী ২৫ দা লোইশিনখিবা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইখিবা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা রুশিয়া লৈবাক্কী মপুং ফাবা টিম অমা শরুক য়াবা য়াদবগী ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিগী চৎন–পথাপ অদুগী মনুং চন্না রুশিয়াগী মমিংদা শরুক য়াবগী মহুৎতা ওলিম্পিক এথলিটস ফ্রোম রুশিয়া(ওএআর) হায়না মিংথোল্লগা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবদি পিওংচাং ৱিন্টর গেমস ২০১৮ রুশিয়াগী এথলিটশিংনা তোঙানবা মমিংদা শরুক য়াখিবা অদুদা শান্নরোই অনী দ্রগ টেষ্ট তৌবদা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা থিংখ্রবা পোৎয়ান য়াওরম্বা থেংনখিবদগী মখোয়গী ইভেন্টশিং অদু মখা তানা শরুক য়াহনখিদবনি।

রুশিয়াগী শান্নবগী লমদা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী থাক হেনবা তোঙান–তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং লৈরবসু দিসিপ্লিন খরদা আইওসিনা থিংখ্রবা দ্রগ শিজিন্নরুবগী মতাংদা চাউনা ৱাথোক ওইদুনা রুশিয়াগী এথলিট পুম্বা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্ট অমত্তদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না অথিংবা থম্বা লৈখ্রবনি।

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুদা রুশিয়াগী মমিংদা শরুক য়াবা ঙমদ্রগসু আইওসিগী মায়কৈদগী দ্রগ শিজিন্নদবা শান্নরোইশিংনি হায়না খনগৎলবা কাঙবুনা শেমখিবা ওলিম্পিক এথলিট ফ্রোম রুশিয়ানা হায়না মিংথোল্লগা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুদা শরুক য়াখি।

স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদকী টিম ইস্পানিওলগী মখূত্তা মায়থিবা নংখ্রে জিরোনানা সেল্টা ভিগোবু মায়থিবা পীদুনা ৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে

ইস্পানিওলগী শান্নরোই গেরার্দ মোরেনোনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা মতাং

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ

স্পেনগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগাগী ২৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদপু ইস্পানিওলনা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। জিরোনানা সেল্ট ভিগোবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা টেবলগী ৭শুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ইস্পানিওল অমদি রিয়েল মাদ্রিদনা শান্নখিবা স্পেনগী লা লীগাগী ২৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্কদুনা শান্নরকখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌনখ্রবসু মতম কুইনা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ৩৭শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা জেরেথ বেলনা নিয়ম লান্না বোল থিংলুবগীদমক রেফরিনা য়োল্লো কার্দ বুক তৌখি। অনীশুবা হাল্ফকী ৮১শুবা মিনটতা ইস্পানিওলগী শান্নরোই আরোন কারিকোলসু নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়োল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনরুদবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা ইস্পানিওলগী শান্নরোই গেরার্দ মোরেনোনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

লী লাগীগী ২৬শুবা লীগ মেটচ অমদা জিরোনা ফুটবোল ক্লব অমসু সেল্টা ভিগোগা শান্নবদা জিরোনানা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখোয়না ১১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী পোইন্ট ৩ ফংখিবা অদুনা মরম ওইরগা পুন্না পোইন্ট ৩৭ ফংলগা লীগ অসিগী ৭শুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

জিরোনা অমদি সেল্টা ভিগোগা শান্নখিবা লা লীগাগী মেটচ অদুদা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা জিরোনাগী মায়কৈদগী কৃষ্টিয়ান পোর্টুনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল অমা হেল্লগা লৈখি।

মেটচ অদুদা গিরোনাগী পোর্টুনা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং লা লীগাগী পোইন্ট টেবলগী ৯শুবা পোজিসনদা লৈরিবা সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু জিরোনাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মখোয়গী গোল অদুবু থিংবা ঙমদুনা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

জিরোনা অমসুং সেল্টা ভিগোগী মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা হাল্ফতা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা মখোয়–মখোয়গী পাঙ্গল পুথোক্কখি। জিরোনানা অহেনবা পাঞ্জল থিখি। অদুগা সেল্টা ভিগোনা ইক্কেলাইজর অদু থিবদা ফংবা ঙখিদবদগী মেটচ অদু জিরোনানা ১–০ দা থোইরগা লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা জিরোনা ৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মরুওইবা ক্লবকী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এফএ কপ্তা স্বান্সে সিটিনা সেফিল্ড ৱেদনেসদেবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা স্বান্সে সিটিগী জোর্দান এয়ুনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোই নেথন দায়রনা পাঞ্জল অমা চল্লগা সেফিল্ড ৱেদনেসদেবু স্বান্সে সিটিনা পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি।

হোক্কি ৱার্ল্ড কপ্তা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা বেলজিয়ম, কানাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগা গ্রুপ পুনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ২৮ দগী দিসেম্বর ১৬ ফাওবা ইন্দিয়াগী সিটি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা নুপাগী হোক্কি ৱার্ল্ড কপ ২০১৮কী সেদ্যুল লাওথোরকপদা য়ুম্বু ইন্দিয়াগী টিম পুল (সি) দা বেলজিয়ম, কানাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগা পুনখ্রে।

ভাবক ১৬,০০০ মীৎয়েং তাবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরিবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা মালেমগী নুপাগী হোক্কি শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাক ১৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুদা পুল ৪ থোক্লা শেন্নগা পুল অমদা লৈবাক ৪ /৪ না লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসকী চেম্পিয়ন ওইখিবা অমদি নুপাগী হোক্কি শান্নবা লৈবাকশিংগী রেঙ্কিংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা আর্জেন্টিনানা পুল (এ) দা ন্যু জিলেন্দ, স্পেন অমসুং ফ্রান্সকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

পুল (বি) দা মমাঙগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা নম্বর ৱান রেঙ্ক লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দ, আয়রলেন্দ অমসুং চাইনাগা শান্নগদৌরি।

অদুগা পুল (দি) দা পাকিষ্টান, মালেসিয়া, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা জর্মনি অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৩ লক টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা নেদরলেন্দসনা লম্বা তৌনগদৌরি।

য়ুম্বু ইন্দিয়ানা হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা মেটচ অদু বেলজিয়মগা দিসেম্বর ২ দা লম্বা তৌনরগনি।

স্বিজরলেন্দগী টেন্নিস শান্নরোই ফেদররনা লোরো এৱার্দ ২ ফংখ্রে

Laureus
Laureus

মোনাকো, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ

ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা পাঙথোকখিবা শান্নরোইশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা য়েন্থোকপকী থৌরমদা স্বিজরলেন্দগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোই রোজর ফেদররনা য়াম্না মরুওইবা মনা অনী ফংখ্রে।

ফেদররনা লোরো ৱার্ল্ড কমবেক শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবা ওইনা মনা ফংখিবদা নত্তনা ২০১৭ দা তোঙান–তোঙানবা মশান্নশিংদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইনি হায়না খনগৎতুনা স্পোর্টসমেন ওফ দি ইয়রগী মনা অদুসু ফংখি।

লোরো ৱার্ল্ড স্পোর্টস এৱার্দকী পুৱারীদা টেন্নিস শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি অঙনবদা য়েন্থোকখিবা মনা অনী য়াওরগা পুন্না ৬ শুদুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।